# নেপালদা ইন্দিয়াগী ফর্মাস্যুটিকেল কম্পেনি ১৬ কী হিদাকশিং পুশিল্লকপদা অথিংবা থমখ্রে

কাঠমন্দু, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সী): নেপালগী দিপার্টমেন্ট ওফ দ্রগ এদমিনিষ্ট্রেসননা যোগ গুরু রাম দেবকী পতাঞ্জলি প্রদক্টশিং শারিবা দিবিয়া ফর্মাসি য়াওনা ৱার্ল্ড হেল্ঠ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) গী গুদ মেন্যুফেকচরিং প্রেক্তিসেস ইন্দবা ইন্দিয়াগী ফর্মাস্যুটিকেল কম্পেনি ১৬ কী লিষ্ট অমা ফোঙখ্রে।

এলোপেথিক অমসুং অর্য়ুবেদ অনীমক্কী দ্রগ মার্কেটশিংগী নেসনেল রিগুলেটরি বোদি ওইরিবা দিপার্টমেন্ট অদুনা লিষ্ট ফোঙলিবদুগী ৱাহন্থোক্তি লিষ্ট অদুদা য়াওরিবা কম্পেনিশিংনা শাবা হিদাক লাংথকশিং নেপালদা ইম্পোর্ট তৌবা য়াররোই হায়বনি হায়না কাঠমান্দু পোষ্ট দেল্লিগী রিপোর্টনা হায়রি।

দিপার্টমেন্টকী স্পোক্স পার্সন সন্তোস কেসিনা হায়খি, মদুদি ঐখোয়গী লৈবাক্তগী মশাগী পোথোকশিং এক্সপোর্ট তৌনবা এপ্লাই তৌখিবা ফর্মাস্যুটিকেল কম্পেনিশিং অদুগী মেন্যুফেকচরিং ফেসিলিটিশিং ইন্সপেক্সন তৌরবা মতুংদা ঐখোয়না দব্লিয়ু ঐচ ওগী গুদ মেন্যুফেকচরিং প্রেক্তিসশিং ইন্দবা কম্পেনিশিংগী লিষ্ট অসি ফোঙখিবনি।



গুদ মেন্যুফেকচরিং প্রেক্তিস হায়বসি প্রদক্টশিং লেপ্তুনা পুথোকপগা লোয়ননা অপীবা ক্বালিটি ষ্টেন্দর্দশিংগী মতুং ইন্না কন্ট্রোল তৌনবগী সিষ্টেম অমনি। মসিনা ইরোই লোইবদা পুথোরক্লিবা পোথোক অদুবু টেষ্ট তৌবদা কোকহনবা য়াররোইদবা ফর্মাস্যুটিকেল প্রদক্সনগা মরী লৈনবা রিস্কশিং হন্থহল্লি।

হৌখিবা এপ্রিল অমসুং জুলাইদা দিপার্টমেন্ট অসিনা দ্রগ ইন্সপেক্তরশিংগী টিম অমা ইন্দিয়াদা থাদুনা মশাগী পোথোকশিং নেপালদা সপ্লাই তৌননবা এপ্লাই তৌরকখিবা ফর্মাস্যুটিকেল কম্পেনিশিং অদুগী মেন্যুফেকচরিং ফেসিলিটিশিং য়েংশিলহনখি। দিবিয়া ফার্মাসিদা নত্তনা লিষ্ট অদুদা রেদিএন্ট পেরেন্টেরেলস লিমিটেদ, মট্যুরি লেবোরেটরিস লিমিটেদ, এল্লায়ন্স বাইওটেক, কেপ টেপ বাইওটেক, অগ্লোমেদ লিমিটেদ, জি লেবোরেটরিস লিমিটেদ, দেফোদিলস ফর্মাস্যুটিকেল লিমিটেদ, জিএলএস ফার্মা লিমিটেদ, য়ুনিজুস লাইফ সাইন্স লিমিটেদ, কন্সেপ্ট ফর্মাস্যুটিকেল প্রাইভেট লিমিটেদ, শ্রী লনন্দ লাইফ সাইন্সেস লিমিটেদ, আই পি সি এ লেবোরেটরিস লিমিটেদ, কেদিলা হেল্ঠ ক্যের লিমিটেদ, দাইল ফর্মাস্যুটিকেলস অমসুং মেকুর লেবোরেটরিস লিমিটেদসু য়াওরি।

দিপার্টমেন্টনা হায়রি, মদুদি অথিংবা থমখিবা ইন্দিয়ন কম্পেনিশিং অদুগী মনুংদা খরদি রেজিষ্টর তৌই অমসুং খরনা অনৌবশিংনি। কম্পেনি খরগী পোথোকশিং রেগুলেটরিগী মথৌ তাবশিং কমপ্লাই তৌদে অমসুং কম্পেনি খরদি গুদ মেন্যুফেকচরিং প্রেক্তিসশিং কমপ্লাই তৌদে। মখোয়গী মনুংদা কম্পেনি খরগী পোথোকশিং ক্রিটিকেল ক্যের, দেন্টেল কাট্রিজেস অমসুং ভেক্সিনশিংদা শীজিন্নে। দিপার্টমেন্ট অসিনা দব্লিয়ু ঐচ ওগী গুদ মেন্যুফেকচরিং প্রেক্তিসশিং কমপ্লাই তৌরব্বা দ্রগ শাবা কম্পেনি ৪৬ কী লিষ্ট অমসু ফোঙখ্রে।

লৈবাক্কী অমসুং মপানগী অনীমক্কী ফর্মাস্যুটিকেল কম্পেনিশিংগী গুদ মেন্যুফেকচরিং প্রেক্তিসশিং ইন্সপেক্সন তৌবা হায়বসি দিপার্টমেন্ট অসিগী রেগ্যুল্লর দ্যুটিনি। থা খরগী মমাঙদা দিপার্টমেন্ট অসিনা ইন্দিয়ন ফর্মাস্যুটিকেল কম্পেনি অমনা শাবা কপ সিরপশিং ইম্পোর্ট তৌবা অমদি য়োনবা থিংননবা সর্ভিলেন্সকী থবকসু কনখৎনবা দ্রগ ইন্সপেক্তরশিংদা খঙহনখিবনি। মদু কপ সিরপশিং অদু থক্লুরবা মতুংদা গাম্বিয়াদা অঙাং কয়া কিদনি ফেল ওইদুনা শিখিবা মতুংদনি। খোঙথাং অদু ৱার্ল্ড বেঙ্কনা ৱেষ্ট অফ্রিকাগী লৈবাক অদুদা হৌখিবা জুলাই, ওগষ্ট অমসুং সেপ্টেম্বরদা অঙাং কয়া শিখিবদুগা মরী লৈনরম্বা য়াবা কপ সিরপ মরিরোমগী মতাঙদা গ্লোবেল এলার্ট অমা ইস্যু তৌখিবা মতুংদা লাকপনি।

# কুমজা ২০১৫ গী ন্যুক দিল কম্মিটমেন্টশিং অমুক ঙাক্লনবা শেম শারে: কমল খরাজি



টেহরান, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সী): কুমজা ২০১৫ গী ন্যুক্লিয়র দিলগী মখাদা ইরাননা য়াখিবা ৱাফমশিং অমুক হন্না ঙাক্লনবা লৈবাক অসিনা শেম শারে হায়না ইরানগী সুপ্রিম লিদরগী সেনিয়র এদভাইজর কমল খরাজিনা ফোঙদোকখ্রে। টেহরাননদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ৱা ঙাঙবদা খরাজিনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি ঙসি ঐখোয়দা য়াম্না মথৌ তারিবা ন্যুক্লিয়র কেপেবিলিটি লৈরে। তৌইগুম্বসুং ঐখোয়না বোম অমা শাবা নত্ত্রগা পুথোকপা পামদে। ঐখোয়গী লাইনিং লাইশোনগী ওইবা থাজবদা য়ুম্ফম ওইরগা ন্যুক্লিয়র বোমশিং শাবা হায়বসি অথিংবা লৈ হায়না ঐখোয়না থাজে।

ইরানগী হান্নগী ফোরেন মিনিষ্টর অসিনা মখা তানা হায়খি, ষ্ট্রেটেজিক্কী মীৎয়েংদা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় শাবা অসিনা ইরানগী ওইনা অমদি লমদম অসিগী ওইনা অফবা অওনবা অমা শোয়দনা লাকহনবা ঙমগনি হায়নসু ঐখোয়না লৌদে।

করিগুম্বা ইরাননা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় শাবগী লম্বীদা চঙশিনবা তারবদি লমদম অদুদা শোয়দনা ন্যুক্লিয়রগী লমজেল অমা হৌরগনি। ন্যুক্লিয়র খুৎলায় অমা লৈবাক্কী খুৎলায়গী পুক্কৈদা থম্বা নত্ত্রগা লৈহনবা হায়বসি সেক্যুরিটিগী য়াম্না তঙাই ফদবা কম্পোনেন্ট অমা নত্তে। তৌইগুম্বসুং ন্যুক্লিয়র টেক্নোলোজি হায়বসি দিটরেন্ট অমনি অমসুং মসিনা ঐখোয়না ঙল্লিবদু উৎলি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

খরাজিনা হায়খি, মদুদি জোইন্ট কম্প্রিহেন্সিব প্লান্ট ওফ এক্সন (জে সি পি ও এ) হায়নসু খঙনবা কুমজা ২০১৫ গী ন্যুক্লিয়র দিল অদুগী মখাদা ইরাননা তৌফম থোকপা অমসুং ঙাকফম থোকপশিং অমুক হন্না ইন্ননবা লৈবাক অসিনা শেম শারে। হৌজিক ফাওবদা মরু ওইবা প্রোব্লেম কয়াসু সোল্ভ তৌরে।

খরাজিগী মতুং ইন্না হৌজিক লৈরিবা অমত্তা ঙাইরবা ইস্যুদি সেফগার্দকী ৱাফম অসিনি। মসি ইন্টরনেসনেল এটোমিক ইনর্জি এজেন্সিগী এক্সপার্টশিংনা টেহরানদা লাক্কদৌরিবা খোঙচৎতা শোয়দনা লৈখায় তানরগনি হায়না ঐখোয়না থাজে। ইরাননা কুমজা ২০১৫ গী জুলাইদা মালেমগী পৱারশিংগা লোয়ননা জে সি পি ও এগা খুৎয়েক পীনদুনা লৈবাক অসিগী ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রাম কন্ট্রোল তৌবগী ৱাফম য়াখি।

অমরোমদা দিল অদুগী মখাদা য়ুএস য়াওনা মালেমগী পৱারশিংনা লৈবাক অসিদা থল্লিবা অথিংবশিং লৌথোকপগী ৱাফম য়াখি। অদুম ওইনমক য়ুএসনা কুমজা ২০১৮ গী মেদা দিল অদুদগী ৱিদ্রো তৌবগা লোয়ননা ইরানগী মায়োক্তা মরন্নাইগী ৱারেপ মতুং ইন্না অথিংবশিং অমুক হন্না থমখিবদগী টেহরাননা মতুং তাবদা দিল অদুগী মখাদা লৈবাক অসিনা য়াখিবা ন্যুক্লিয়র কম্মিটমেন্টশিংগী মনুংদা খরা থুগায়বা হৌখিবনি।

# য়ুক্রেনগী মতাংদা খুদক্তা পিছ টৌল্ক চথবা য়াবগী ফিভম লৈতে: গুটরেজ

য়ুএন, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সী): য়ুক্রেনগী কনফ্লিক্টকী মতাংদা য়াম্না থুনা ইফেক্তিব পিছ টৌল্ক চথবা য়াবগী ফিভম লৈতে হায়না য়ুএন সেক্রটরি জেনরেল এন্টোনিও গুজ রেজনা ফোঙদোকখ্রে।

গুটরেজনা হায়খি, মদুদি য়াম্না থুবা মতমদা কনফ্লিক্ট অসিগা মরী লৈননা পিছ টৌল্ক ইফেক্তিব ওইনা চথবা য়াবগী ওইথোকপা ফিভম মহাক্না উবা ফঙদে।




অমরোমদা, মিলিটরি কনফ্রোন্টেসন অদু লেপ্লোই হায়নসু মহাক্না থাজদে। অদুনা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবগী নিগোসিএসন চথবা য়াবগী তাঞ্জা অদু ঐখোয়না ঙাইবা তারি। অসিগুম্বা নিগোসিএসন হৌজিক অথুবা মতমদা পাঙথোকপা য়াবগী ফিভমদি উবা ফঙদে।

ন্যু য়োর্কতা লৈবা য়ুএন হেদ ক্বার্টর্সতা চহী লোইবগী প্রেস কনফরেন্সতা ৱা ঙাঙলদুনা গুটরেজনা হায়খি, মদুদি য়ুক্রেনগী কনফ্লিক্টকী মতাঙদা অথুবা মতমদা নিগোসিএসন চথবা য়াবগী মওং লৈতবা অসিনা মরম ওইদুনা য়ুএননা য়ুক্রেনগী হৱাই চেঙৱাইশিং অমসুং অতৈ লৌউ শিংউগী পোথোকশিং ব্লেক সীগী পোর্টশিংদগী এক্সপোর্ট তৌবা য়াহল্লিবা ব্লেক সী গ্রেন ইনিসিএটিবকী ইপিসেন্সি হেনগৎহনবা অমদি হেন্না পাকথোক চাওথোকহনবগুম্বা অতৈ অতোপ্পা ৱাফমশিংদা ওইনা য়ুএননা মীৎয়েং চঙলিবনি।

য়ুএন চীফ অসিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি মরু ওইনা খৃষ্টমাস নকশিল্লক্লবা মতম অসিদা ঐখোয়না নাকল অনীগী মরক্তা লানগী প্রিজিনরশিং একচেঞ্জগী খোঙথাংশিং থুজিলহনবা পাম্মী। লানদা শরুক য়ারিবা নাকল অনীমক্না জনুৱারীদা খৃষ্টমাস সেলেব্রেসন তৌই। মসি য়াম্না মরু ওইবা অমা শোয়দনা ওইগনি হায়না ঐহাক্না থাজে।

মখা তানা ঐখোয়না অৱাবা য়ারিমখৈ হন্থহন্নবা মওংদা দাইলোগকী প্লেটফোর্মশিং ওফর তৌদুনা ঐখোয়গী সার্ভিসশিং হেন্না কানহন্নবা মওংদা শীজিন্নবা ঙম্নবা হোৎনরি। তৌইগুম্বসুং য়াম্না থুনা অশেংবা পিছ নিগোসিএন চথবা য়াবগী ফিভম লৈতে হায়বসিমদি ঐখোয়না নাখৈ শেংবা হায়বা ঙম্মী।

গুটরেজনা মরী লৈনবা পুম্নমক্তা য়ুক্রেনগী লান মখা তানা কনশিলহন্নবগী খোঙথাংশিং লৌখৎতনবসু ৱার্নিং তৌখি। রসিয়ানা য়ুক্রেনদা অনৌবা ওফেন্সিব চথরকপা য়াই হায়বা রিপোর্টকী মতাংদা মহাক্না লান কনশিলহন্দনবা ৱারী মতিক চানা শান্নবা লৈরে হায়খি।

# য়ুক্রেন বেলারসকা লোন্নবা বোর্দর ঙাক শেনবগী থৌরাংশিং কনখৎখ্রে

কিভ, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সী): রসিয়ানা অনৌবা এটেক অমা চথনবা শেম শারম্বা য়াই হায়বগী অকিবা মরক্তা য়ুক্রেননা বেলারসকা লোন্নবা বোর্দর এরিয়াশিং ঙাক শেনবগী থবক কনখৎলি হায়না কিভতা মিনিষ্টর অমনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা নিংথৌকাবগী নুমিদাং অথেংবদা বি বি সিগী ইন্টরভিয়ু অমদা দিপ্যুটি ইন্টরিয়র মিনিষ্টর য়েপহেন য়েনিননা হায়খি, মদুদি ঐখোয়না রসিয়া অমদি বেলারসকা লোন্নবা বোর্দরগী শরুক পুম্নমক্কী দিফেন্স লাইনশিং ফগৎহনবগী থবক কন্না চথরি।

য়ুক্রেননা বেলারসকা তাইনবা বোর্দরদা অহেনবা আর্মদ ফোর্সেস অমসুং এম্যুনেসন হাপচিন্দুনা ঙাকশেলগী থবক হেন্না কনখৎলগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি। রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিননা মিঙ্কসতা চৎতুনা বেলারসকী মহাক্কী লেঙমান্নবা অমদি মীচং অলেকজেন্দর লুকাসেনকোগা উন্নখিবগী পাউ ফোঙনখিবা মতুংদা য়েনিননা ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি।

বেলারসনা নোংপোক অমসুং অৱাং নোংপোক্তা রসিয়াগা বোর্দর লোন্নে, খারোমদনা য়ুক্রেনগা লোন্নে, নোংচুপতনা পোলেন্দগা বোর্দর লোন্নে অমসুং অৱাং নোংচুপতনা লেথুএনিয়া অমসুং লাটবিয়াগা লোন্নে।

হৌজিক চথরিবা য়ুক্রেনগী লানদা বেলারস হকথেংননা চেন্নদ্রবসু লৈবাক অসিনা রসিয়াগী ট্রুপশিং মখোয়গী টেরিটরি শীজিন্নহন্দুনা ফেব্রুৱারী ২৪ দা য়ুক্রেনদা লান্দাবগী খুদোংচাবা পীখিবনি।

পুটিন অমসুং লুকাসেনকোনা মিঙ্কসতা উন্নরিবদু প্রসিদেন্ট অনী অসিনা বেলারসতা উন্নখিবা মতুং চহী ৩.৫ গী মনুংদা অহানবনি। ৱার্কিং ভিজিট অমনি হায়না ফোঙদোক্লখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎকী লূচিংবা অনীগী মীফম অদু পুং ২ হেন্না চথখি।

জোইন্ট প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা পুটিননা হায়খি, মদুদি রসিয়ানা কনামত্তবু চিংশিনবা পামদে। তৌইগুম্বসুং কনাগুম্বা রসিয়াবু তাথিবশিংনা মোস্কোগা বেলারসকা পুনশিনবা থিংবা পাম্মী। লুকাসেনকোগী মায়কৈদগী রসিয়ানা বেলারসতা এস-৪০০ দিফেন্স এয়র সিষ্টেম অমসুং ইস্কান্দর বেলেষ্টিক মিসাইল সিষ্টেম পীদুনা ঙাকশেলগী ফিভম ফগৎহনবগীদমক্তা পুটিনবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

# বানুগী কাউন্টর টেরর কম্পাউন্দ মনুংদা লৈরম্বা মিলিটেন্টশিং হাৎখ্রে

বানু, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সী): পাকিস্তানগী খাইবর পাক্তুনখুৱা প্রোভিন্সকী বানুদা লৈবা কাউন্টর-টেররিজম দিপার্টমেন্ট (সি টি দি) গী কম্পাউন্দ মনুংদা হোষ্টেজশিং ফাজিন্দুনা থল্লকখিবা টেররিষ্টশিং পাকিষ্টানগী সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে।




অদুম ওইনমক ফোর্সশিংনা মখা তানা মফম অদুদা কোম্বিং তৌদুনা মফম অদুদা লৈশিল্লম্বা য়াবা মখা তাবা টেরর থ্রেটশিং মাঙহন্নবা থী হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথখি হায়না সেক্যুরিটি ছোর্সশিংনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা জিও ন্যুজতা ফোঙদোকখি।

ছোর্সশিংগী মতুং ইন্না নাকল অনীগী মরক্তা নোংমৈ কন্না কাপ্পবদগী সেক্যুরিটিগী মীওই কয়া অশোক অপন নঙখি। ঙসি অঙনবদা কম্পাউন্দ অদুদা মিলিটেন্টশিংনা ফাজিন্দুনা থল্লিবা হোষ্টেজশিং অদু মখোয়গী মখুত্তগী কন্ননবা ওপরেসন অমা লোপ্প তৌখি। দিভলপমেন্ট অদুগী নোলেজ লৈবা ওফিসলশিংনা ক্লিয়ারেন্সকী ওপরেসন অমা চথরি হায়না ফোঙদোরকখি।

জিও ন্যুজকী অঙনবা রিপোর্টতা কম্পাউন্দ অদুগী মনুংদা নোংমৈ কাপ্পবা লেপ্তুবগা লোয়ননা কম্পাউন্দ অদুদগী মৈখু মপৈ মপৈ কাখৎলক্লি হায়না পনখি। দিপ্যুটি কম্মিস্নরগী ওর্দর মতুং ইন্না বানুদা লৈবা স্কুলশিং থোঙ লোন্নখি। হোস্পিটালশিং মীকুপ নাহুমশিংনা লৈহনবগা লোয়ননা মফম অদুদা মোবাইল সার্ভিসশিং ব্লোক তৌখি।

নোংমাইজিং নুমিত্তা টালিবান টেররিষ্টশিংনা বানুগী সিটিগী কম্পাউন্দ অদুদা থোমজিনখিবা অদুদা ওপরেসন অদু লোপ্প তৌখিবনি।

নাকল অনীগী মুক্লবা অদু লোইশিনবা য়ানবা পাকিষ্টান গভর্ণমেন্টনা অফঘানিষ্টানদা টেহরিক-ই-টালিবান পাকিষ্টান (টি টি পি) গী লিদরশিপকা ৱারী শান্নবা হৌখি। মদু খাইবর পাক্তুনখুৱাগী স্পোক্স পার্সন মুহামদ অলিফ সায়বনা কনফার্ম তৌখি। টেররিষ্টশিংনা অফঘানিষ্টানদা মখোয়বু অশোয় অঙাম য়াওদনা প্লেনদা তোঙদুনা চৎপা য়াহন্নবা দিমান্দ তৌখি হায়না ছোর্সশিংনা ক্লেম তৌখি।

সেক্যুরিটি ফোর্সশিং অমসুং মরু ওইবা পোলিটিকেল পর্সনেলিটিশিংদা কিহনবা অমদি এটেক তৌবা হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা খাইবর পাক্তুনখুৱাগী লো এন্দ ওর্দরগী ফিভম শোকচিল্লকখি।

ড ন্যুজকী রিপোর্ট মতুং ইন্না হন্দক্তা পেসৱার, খাথংবা দিষ্ট্রিক্টশিং অমসুং মার্দান রিজন য়াওনা মফম কয়াদা এটেক তৌবা হেনগৎলকপদগী প্রোভিন্স অদু শীন থুংনা পুলিসশিং মীকুপ নাহুমশিংনা লৈখি।

ছোর্স অমা পল্লদুনা পাউচে অসিগী রিপোর্টতা হায়, পুলিসতা নত্তনা সেনিয়র পোলিটিসিয়নশিংনসু মখোয়দা কিহল্লকপা কয়া লৈরে হায়না কনফার্ম তৌখি। মখোয়গী মনুংদা খরগী য়ুমশিংদা গ্রেনেদ এটেকশিং চথরকপা লৈরে হায়নসু কমপ্লেন্ট তৌখি।

# শ্রী লঙ্কানা প্রদক্ট তরাদা থমখিবা অথিংবা লৌথোকখ্রে

কলম্বো, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সী): ইকনোমিক ক্রাইসিসনা মরম ওইদুনা রেষ্ট্রিক্সন লৈহনখিবা সেক্যুরিটি, টুরিজম অমসুং স্পোর্টসকা মরী লৈনবা প্রদক্ট তরাদা লাউথোকখিবা অথিংবা শ্রী লঙ্কানা লৌথোকখ্রে।

ষ্টেট ফাইনান্স মিনিষ্টর রঞ্জিৎ শ্যামবালা পিটিয়ানা ৱাফম অসি লাউথোক্লদুনা হায়খি, মদুদি সি সি টি ভি সিষ্টেমদা মথৌ তাবা সেক্যুরিটি ইক্বিপমেন্ট, টুরিজমদা মথৌ তাবা ইনর্জি দ্রিঙ্কশিং, ফর্নিচর শেম শানবা মপানদগী উ পুশিল্লকপা অমদি স্পোর্টস আইটেম খরদা থমখিবা রেষ্ট্রিক্সনশিং লৈবাকপোকপা নুমিত্তগী কোমথোক্লগনি।

শ্রী লঙ্কাদা হাট করেন্সিগী রিজর্ব কা হেন্না নেমথরকপা অমসুং লৈবাক অসিনা ১৯৪৮ দা নিংতম্বা ফঙখিবা মতুংদা থোক্লকখিবা খ্বাইদগী শাথিরবা ফাইনান্সিএল ক্রাইসিসনা মরম ওইদুনা গভর্ণমেন্টনা ওগষ্ট ২৩ দা আইটেম ১৪৬৫ ইম্পোর্ট তৌবদা অথিংবা থমখিবনি।

মিনিষ্টর অসিনা হায়খি, মদুদি রেষ্ট্রিক্সন অদুনা মরম ওইদুনা থা অহুমগী মনুংদা গভর্ণমেন্টনা দোল্লর মিলিয়ন ১২১১ সেভ তৌবা ঙমখি।

লৈবাক অসিনা মায়োক্লরকখিবা ফোরেন করেন্সি ক্রাইসিসকী সোলুসন অমা পুরক্লবগীদমক রেষ্ট্রিক্সনগী ৱারেপ অদু মথৌ তাখিবনি হায়নসু মিনিষ্টর অসিনা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০২০ দা শ্রী লঙ্কানা ইম্পোর্টশিংগা মরী লৈননা দোল্লর মিলিয়ন ১৬,০৫৫ চাদিং তৌখি। মথংগী চহী ২০২১ দনা ইম্পোর্টকী চাদিং দোল্লর মিলিয়ন ২০,৬৩৭ দা হেনগৎখি।

# মালয়সিয়াদা ঈচাও থোক্তুনা মীওই মঙা শিরে, মীওই ৫৬,১৫৯ য়ুম থাদোক্লখ্রে

কুলালম্পুর, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সী): মালয়সিয়াগী মফম খরদা ঈশিং ঈচাও থোকপদগী লৈবাক অসিগী ষ্টেট মঙাদা মীওই মঙা শিখ্রে অমসুং মীওই ৫৬,১৫৯ ময়ুম মকৈ থাদোক্লখ্রে হায়বসি লৈবাকপোকপা নুমিত্তা গভর্ণমেন্ট দেটানা উৎখ্রে।

এজেন্সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না ঈশিং ঈচাওনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহনবা মফমশিং অদু পেনিন্সুলা অসিগী নোংপোক থংবা সমুদ্র মপান পরিংগী শরুকশিংনি। কেলান্টান ষ্টেটতা ঈশিং ঈচাওনা মীওই ১৭,৩২৬ অৱাবা নঙদুনা রিলিফ সেন্টরশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈখি।

টেরঙ্গনুগী মীওই ৩৭,৭৯২ তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা শেমগৎলিবা রিলিফ সেন্টরশিংদা থমখি। ভিক্তিমশিং অদুগী মনুংদা থা ১৫ গী পীক্লিবা নুপামচা অমা য়াওরি হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখি। ঈচাওনা শোকহল্লবা ষ্টেটশিং অদুগী মফম কয়াদা তুরেলশিং খুদোংথীবা থাক্কী মথক্তা চেল্লি।

ফায়র এন্দ রেস্ক্যু দিপার্টমেন্টগী ফায়র সেফতি দিভিজনগী দিরেক্তর অহমদ ইজরম ওস্মাননা হায়খি, মদুদি টেরঙ্গনুগী ঈচাওগী ফিভমগী চপ চাবা একাউন্ট অমা লৌননবা মহাক্কী টিম্না এরিএল নোংথক্তগী মোনিটর তৌরি। কেলান্টানদসু মান্নবা মোনিটরিং পাঙথোক্লগনি।

ঈশিং ঈচাওনা শোকহল্লবা অতৈ ষ্টেটশিংদি পাহং, জোংহোর অমসুং টেরাগনি। ষ্টেটশিং অসিগী মীওই চা কয়াসু ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা রিলিফ সেন্টরশিংদা লৈনখ্রে।

# জপানদা উন কন্না তাবদগী গাড়ী কয়া লম্বীদা পনখ্রে, ট্রেনশিং সস্পেন্দ তৌখ্রে

টোকিও, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সী): জপানগী নিয়াগাটা, টোহুকু অমসুং টোকিওগী অৱাংদা লৈবা অতৈ মফম কয়া রেকোর্দ ওইবা চাংদা উন তারকপদগী হায়ৱেশিংদা গাড়ী কয়া পন্দুনা লৈখিবগা লোয়ননা মফম কয়াদা পৱার সপ্লাই লেপখ্রে অমসুং ট্রান্সপোর্টেসনদা চাওনা অকায়বা থোক্লে হায়না ৱেদর এজেন্সি অমসুং লোকেল মেদিয়ানা হায়রি।

ৱেদর ওফিসলশিংনা হায়খি, মদুদি নেগাটা প্রিকফেকচরগী লম্বীশিংদা উন থানা তাবদগী গাড়ীশিং পন্দুনা লৈখ্রে। লোকেল মেদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না ফিভম অদুদা মতেং পাঙননবা সেল্ফ দিফেন্স ফোর্সশিং দিপ্লোই তৌখ্রে।

জপান মেটরিওলোজিকেল এজেন্সিনা ফোঙদোকখিবদা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ তাবা ফাওবদা উন তাবগী চাং অদু মফম খরদদি সিজনগী এভরেজদগী শরুক অহুম হেনখি।

য়মাগাটা প্রিফেকচরগী ভিলেজ অমদা রেকোর্দ ওইবা মওংদা মিটর ২.২৪ ফাওবা থানা উন তাখি অমসুং নেগাটাদা মিটর ১.৮৭ থানা উন তাখি।

লোকেল ওথোরিটিশিংগী মতুং ইন্না উননা শোকহল্লবা লমদমশিং অদুগী হায়ৱেশিংদা ট্রাফিক জামশিং মখা তানা লৈখিগনি। লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অঙনবদা নেগাটাগী কাসিৱাজকিদা হায়ৱে কয়াদা গাড়ী ৮০০ লোম পন্দুনা লৈখি হায়রি।

# ফিজিদা কোল্লিসন গভর্ণমেন্ট শেম্লগনি

সুবা, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সী): ওপোজিসন পার্টিশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা সোসল দিমোক্রেটিক লিবরেল পার্টি (এস ও দি ই এল পি এ) না পিপলস এল্লায়ন্স (পি এ) অমসুং মসিগী পার্টনর নেসনেল ফেদরেসন পার্টি (এন এফ পি) গা লোয়ননা থবক তৌমিন্ননবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ৱারেপ লৌখিবগা লোয়ননা ফিজিদা মথং চহী মঙাগী ওইনা কোল্লিসন গভর্ণমেন্ট অমা লাক্লগনি।



ফিজি ব্রোদকাষ্টিং কোর্পোরেসন (এফ বি সি) গী মতুং ইন্না এস ও দি ই এল পি এনা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুংথিলদা পি এ অমসুং এন এফ পিগা তোঙান তোঙাননা মীফম চথদুনা কোল্লিসন গভর্ণমেন্ট অমা শেম্ননবা কো ওপরেসন পীনবা য়াগদ্রা হায়বদু কুপ্পা খন্নখি। লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পাঙথোকখিবা এস ও দি ই এল পি এগী মেনেজমেন্ট বোর্দকী মীটিং অমদা বোর্দকী মেম্বর ১৬ না সেক্রেট বেল্লোট শীজিন্নদুনা পি এ অমসুং মসিগী পার্টনর এন এফ পিগা লোয়ননা কোল্লিসন অমা শেম্বগী ৱাফম শৌগৎখি।

অমরোমদা, বোর্দ মেম্বর ১৪ না বেরেক্কী বাইনিমারামানা লুচিংবা ফিজি ফর্ষ্ট পার্টি (এফ এফ পি) বু শৌগৎতুনা ভোট পীখি। দিসেম্বর ১৪ দা পাঙথোকখিবা চহী অসিগী জেনরেল ইলেক্সনদা এফ এফ পিনা সিট ২৬ ফঙখি, পি এনা সিট ২১ অমসুং মসিগী পার্টনর এন এফ পিনা সিট ৫ অমসুং এস ও দি ই এল পি এনা সিট ৩ ফঙখি।

ফিজিগী ইলেক্তরেল সিষ্টেম মখাদা মেম্বর ৫৫ গী পার্লিয়ামেন্টতা সিট ২৮ নত্ত্রগা মসিদগী হেন্না ফঙবা ঙম্বা পার্টি অমনা গভর্ণমেন্ট শেম্বা য়াই। এফ এ পিনা কুমজা ২০১৪ দগী লৈঙাক্কী পৱার পায়দুনা লাকখি। তৌইগুম্বসুং হন্দক্কী মীখলদদি পার্টি অসিনা মেজোরিটি সিট মশিং ফঙবা ঙমখিদে। পি এ অমসুং এন এফ পিনা মীখলগী মাঙওইননা কোল্লিসন অমা শেম্বা লৈখ্রবনি। অদুনা অনৌবা কোল্লিসন গভর্ণমেন্ট অদু পার্লিয়ামেন্টদা সিট ২৯ লৈগনি।

# লোস এঞ্জেলিসতা মমাঙগী নিংথম থাগা চাংদম্নবদা কোভিদনা মী শিহনবা অমদি হোস্পিটলাইজেসন তৌবা হেনগৎলে

লোস এঞ্জেলিস, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সী): য়ুএসকী খ্বাইদগী চাওবা কাউন্টি লোস এঞ্জেলিসতা কোভিদ ১৯ না মরম ওইদুনা মী শিবা অমদি হোস্পিটলাইজেসন তৌবা লেপ্তুনা হেনগৎলকপগা লোয়ননা মমাঙগী ২০২১ চহীগী মতম অসিদা রেকোর্দ তৌখিবা মশিংশিং অদুদগী হেল্লে হায়রি।

এজেন্সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না য়ুএস সেন্টর ফোর দিজিস কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সনগী দেজিগনেসনদা য়ুম্ফম ওইরগা কাউন্টি অসি হৌজিকসু হাই কম্যুনিটি লেভেলদা লৈরি। কাউন্টি পব্লিক হেল্ঠ দিপার্টমেন্টকী মতুং ইন্না চয়োল অনীগী মমাঙদা কাউন্টি অসিদা নুমিৎ খুদিংগী ওইনা নুমিৎ তরেৎনিগী চাংচৎকী মীশিশিং রিপোর্ট তৌখি।

দিপার্টমেন্ট অসিনা হায়রি, মদুদি কুমজা ২০২০ গী অঙনবদা শরুক্তা কোভিদ ১৯ পেন্দামিক হৌখিবদগী কাউন্টি অসিদা হৌজিক ফাওবদা শিখিবা মী মশিং ৩৪,৪০০ রোম শুরে। কাউন্টি অসিদা কোভিদ ১৯ গী কেস মশিং খজিক্তং হন্থরক্লবসু মশিংশিং অদু থা মরিগী মমাঙদা ওবজার্ব তৌখিবা ইনফেক্সনগী মশিংশিং অদুদগী চাদা ১২০ গী মথক্তা হেনগৎতুনা লৈরি।

ৱেষ্টৱাটর দেটানা ভাইরসকী ট্রান্সমিসনগী চাং হৌজিক ৱাংনা লৈ হায়বসি কনফার্ম তৌখি। কাউন্টি অসিনা হৌজিক কোভিদ কেস হেনগৎলকপা, ফ্লুগী সিজন অমসুং আর এস পিগী কেস লেপ্তুনা ৱাংখৎলকপগী ট্রাইদেমিক থ্রেট মায়োক্লবগা লোয়ননা কাউন্টি অসিগী হোস্পিটাল অমসুং মেদিকেল ষ্টাফনা অনাবশিং য়েংবা ঙল্লক্তে হায়রি।

পব্লিক হেল্ঠ ওফিসলশিংনা মীয়ামদা মখোয়গী কোভিদ ১৯ বুষ্টরশিং অমসুং ফ্লু সোটশিং অপদেট তৌননবা ইন্দোরদা মাস্ক শীজিন্ননবা মী পুন্দ্রিঙৈদা টেষ্ট তৌথোক্লবা, নারক্লবা মতমদা লায়না শন্দোকপগী চাং হন্থনবা, য়ুমদগী হেন্দোক্তনবা আপিল তৌরি।

# হান্নগী কন্সেন্ট্রেসন কেম্পকী মশাগী চহী ৯৭ শুরবী সেক্রেটরি ৱার ক্রাইমশিং চথখিবগী কনভিক্সন তৌখ্রে

বর্লিন, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সী): নাজি কন্সেন্ট্রেসন কেম্প অমদা সেক্রেটরি ওইনা থবক তৌখিবা মশাগী চহী ৯৭ শুরবী নুপী অমা মীওই লিশিং কয়া হাৎখিবদা মহাক্না লৌখিবা থৌদাংগা মরী লৈননা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা কনভিক্ট তৌখ্রে।

জমর্নিদা চথরকখিবা মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওগী ক্রাইমশিংগী অরোইবা ট্রাইয়েলশিংগী মনুংদা অমদা অহল ওইরবী নুপী অদুবু কনভিক্ট তৌখিবনি।

কোর্টকী স্পোক্স পার্সন অমনা হায়খি, মদুদি মীওই লিশিং ১০,৫০৫ হাৎপদা মতেং পাঙখিবা অমদি মীওই মঙা হাৎননবা হোৎনখিবগী মরালশিংগা মরী লৈননা নোর্দন টাউন ইটজেহোগী দিষ্ট্রিক্ট কোর্টনা ইনগার্দ ফর্সনর কৌবী নুপী অদুদা চহী ২ গী সস্পেন্দেদ সেন্টেন্স পীখি।

কোর্টনা মমাঙদা ফর্সনরবু মীওই ১১,৪১২ হাৎপদা মতেং পাঙখিবা অমদি হাৎননবা শিনখিবগী মরাল শীবা লৈখ্রবনি। চহী য়াল্লবী নুপী অদুবু হ্বিল চেয়র অমদা ফমহন্দুনা কোর্টকী কাদা পুশিনখি।

থা অসিগী অঙনবদা ট্রাইয়েল অদুদা পীখিবা মহাক্কী ফাইনেল ষ্টেটমেন্টদা ফর্সনরনা হায়খি, মদুদি থোকখিবা থৌদোকশিং অদুগীদমক্তা মঙোন্দা য়াম্না নুংঙাইতবা পোকই। মতম অদুদা ষ্টুকফোর্কতা লৈখিবদুগী মতাংদা হৌজিক মঙোন্দা য়াম্না নিংঙমদবা পোকই।

ইমগার্দ ফর্সনর কুমজা ১৯৪৩ অমসুং ১৯৪৫ গী মরক্তা হৌজিক্লা পোলেন্দগী গদাংসকা নক্লবা ষ্টুটহোপকী কন্সেন্ট্রেসন কেম্পতা থবক তৌখি। ফর্সনরনা মতম খরা চেন্দুনা লৈবদগী কুমজা ২০২১ গী সেপ্টেম্বরদা মহাক্কী ট্রাইয়েল হৌবদা মতম খরা থিন্থখিবনি। কোর্টতা লাকখিদবা মতুং পুং খরগী মনুংদা মহাক ফাখি।

ষ্টুটহোপকী গ্যাস চেম্বরদা নত্ত্রগা চাবা ফঙদবা অমদি লায়নানা মরম ওইদুনা মীওই ৬৫,০০০ শিখিবনি। শিখিবশিং অদুগী মনুংদা লানগী প্রিজনরশিং অমসুং নাজিগী কাঙলূপ অমবু পুংমুৎ মুখৎনবগী কেম্পেইনদা ফাখিবা জিয়ুশিং য়াওখি।

# ইজিপ্টকী সুএজ কেনেলনা ২০২২ দা দোল্লর মিলিয়ন ৭.৯ তানখ্রে

কাইরো, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সী): ইজিপ্টকী সুএজ কেনেলনা মমাঙগী রিভেন্যুগী রেকোর্দ থুগায়দুনা কুমজা ২০২২ দা দোল্লর বিলিয়ন ৭.৯ তানবা ঙমখি হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

সুএজ কেনেল ওথোরিটি (এস সি এ) গী চিয়ারমেন ওস্মা রাব্রিনা পার্লিয়ামেন্টতা হায়খি, মদুদি কুমজা ২০২২ গী রিভেন্যু অদু এস সি এগী পুৱারীদা খ্বাইদগী ৱাংই। এজেন্সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না কুমজা ২০২১ গী রিভেন্যু দোল্লর বিলিয়ন ৬.৩৩৩ নি। কুমজা ২০২২ দা কার্গো টন বিলিয়ন ১.৪ পুবা জহাজ ২৩,০০০ হেনবনা নেভিগেসনগী লম্বী অদু লান্দুনা মমাঙগী চহীদা লানখিবা জহাজ মশিং ২১,৭০০ তগী হেনখি।